# ‘হৈনা শিংনা ঈশিং শীজিন্নগদবনি’

শিল্লোং, মার্চ ২২ (এজেন্সী):

ৱর্ল্ড ৱাটর দে নুমিৎকা মরী লৈননা মেঘলয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না ঈশিং শীজিন্নবা মতমদা হৈনা শিংনা শীজিন্নগদবনি অমদি য়াইহিরিবমখৈ মাঙহল্লোয়দবনি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ঈশিংনা মীওইবগী থৱায়নি হায়বসি কাওদনবা মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেট অয়াম্বদা থক্লবা ঈশিং মরাং কায়না ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মরম অদুনা মীয়াম্না অরেম্বদা ঈশিং মাঙহল্লোয়দবনি অমদি মফম মতম চানা ঈশিং শীজিন্নগদবনি। ৱর্ল্ড ৱাটর দে হায়না মালেম পুম্বদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি য়াম্না মরু ওই। চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা মীয়ামদা পীনিংলিবা পাউজেলদি ঈশিংনা মীওইবগী থৱায়নি। ঈশিং য়াওদনা থৱায় পানবা অমত্তা হিংবা ঙম্লোয়। মরম অদুনা ঈশিং মরিক অমা ফাওবা লেম্না মাঙহল্লোয়দবনি হায়বা অসিনি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না ঈশিংগী ভেল্যু খঙদবগুম তৌরি। অরেম্বদা মফম কয়াদা ঈশিং মাঙহনবগী থৌদোক ঐখোয়না য়াম্না তোয়না উরে। ষ্টেট অসিদসু অরেম্বদা ঈশিং মাঙহনবগী থবকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীয়াম্না ঈশিংগী মগুণ খঙনা ঈশিংবু অরেম্বদা মাঙহনগুমসি হায়না কোনরাদনা মখা তানা আপীল তৌরক্লি।

# কোংগ্রেস গান্ধী ফেমিলিগী নত্তে মীয়ামগী ওইবা পার্টিনি: প্রিয়াঙ্কা



গুৱাহাটি, মার্চ ২২ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী লিরবা পার্টি ওইরিবা কোংগ্রেস গান্ধী ফেমিলিগী পার্টি নত্তে, মীয়ামগী অপান্বা অমদি ৱাখল্লোনগী মতুং ইন্না কোংগ্রেস পার্টি শেমখিবনি হায়না পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি প্রিয়াঙ্কা গান্ধীনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অসামগী সরুপথরদা পাঙথোকপা ইলেক্সন রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা নুপী লুচিংবী অসিনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা কোংগ্রেস অসি গান্ধী- নেহরুগী ইমুং মনুংগী ওইবা পার্টিনি হায়না ফোঙদোক্লরি। ইলেক্সনগী মতমদা ভোট খরা ফংনবগীদমক কোংগ্রেস পার্টিবু অতোপ্পা পার্টিশিংনা হুন্দুনা ঙাঙবগী থৌওং অসিদি মতম কয়াগী মমাংদগী থোক্তুনা লাক্লবনি।

কোংগ্রেস মীয়ামগী ওইবা পার্টিনি হায়বসি লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। হৌজিক হৌজিক পার্টি অসিগী প্রসিদেন্টগী ফম হাঙদুনা লৈরি। মায়কৈ কয়াদগী পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ওইহন্নবা ফোঙদোক্লরক্লি। অদুবু মতিক চাবা মী লৈরবদি অমদি পার্টি অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙমগদবা মীওইদা পার্টি প্রসিদেন্ট ওইহন্নবগীদমক রাহুল গান্ধীনা ঙসি ফাওবা প্রসিদেন্টকী ফম পায়শিনদনা লৈরি। অতোপ্পা পার্টিশিংদা থোকপা ওইরল্লবদি লুচিংবা মুন্নবদা পার্টিগী মনুংদা নাকপাক তান্নবগী থৌদোকশিং থোক্লমগনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবী প্রিয়াঙ্কানা মখা তাখি।




দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার (হেন্দিক্রাফট) ন্যু দেল্লীগী শেন্থং মখাদা লৈমরেল প্রদ্যুসর হেন্দিক্রফট কম্পনি লিমিটেদ ৱাংঙু মমাং সাবলনা শীন্দুনা ইম্ফালগী জি এম হোলদা নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা চথগদবা তেরা কোটা ক্রাফট একজিবিসন হৌদোকপগী থৌরমদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিং

# মাস্ক উপ্তবশিংদগী ফাইন লৌগদৌরি

শিল্লোং, মার্চ ২২ (এজেন্সী) :

মেঘলয়াগী ইষ্ট খাসি হিলসকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না থোরকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না য়ুমদগী মপান থোরকপা মতমদা ফেস মাস্ক উপ্তবা মীওইশিংদগী ফাইন লৌগদৌরি।

শিল্লোংগী পুলিস বজার ৱেলফ্যর সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ওর্দর অসি পীখিবনি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী লায়না লায়চৎ অমুক হন্না শন্দোরক্লিবা অদুগী য়েংলগা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না ঙসি ওর্দর অসি থোকখিবনি।

কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা এস ও পিশিং ঙাক্না চৎলমদবা মীওই খুদিংমক্তদগী ফাইন লৌনবসু ওর্দর অসিদা পল্লি।

অমরোমদা পুলিস বজার ৱেলফ্যর সোসাইটি প্রসিদেন্টনা মীয়াম্না মীরক তিনবা মতমদা ফেস মাস্ক উপ্লবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎনবা আপীল তৌরক্লি। মীয়ামগী মতেং য়াওদনা গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অসি মপুং ফাবা ঙম্লোয় হায়না সোসাইটি অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অনীরকশুবা ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোরক্লিবা অসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই হায়নসু সোসাইটি অসিনা মখা তাখি।

# ত্রিপুরাদগী গঞ্জা কিলো ১,১৭০ ফারে

অগরটালা, মার্চ ২২ (এজেন্সী) :

ত্রিপুরাগী সেপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কমল নগরদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লুপা লাক্ষ ৫০ রোমগী ওইগদবা গঞ্জা ফারে হায়রি।

ত্রিপুরা ষ্টেট রাইফল, অসাম রাইফলস অমসুং ত্রিপুরা পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা চথখিবা থি হুম্বগী থবক্তা গঞ্জা কিলোগ্রাম ১,১৭০ অদু ফাবা ঙমখিবনি। গঞ্জাশিং অদুগা লোয়ননা মীওই অহুমসু ফাবা ঙমখ্রে হায়রি। পুলিসনা ফারবা মীওই অহুম অদুদি চারু মিয়া, মন্তাস মিয়া অমসুং রসিদ মিয়ানি। মখোয় অহুমগী মথক্তা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

অপূনবা টিম অদুনা নুমিৎ নীনিরোম চথরকখিবা থি হুম্বগী থবক অদুদা অচৌবা দ্রম ২৬ তা গঞ্জাশিং অদু হাপ্পগা থল্লম্বা থেংনখিবনি। পুলিসনা থিগৎখিবগী মতুং ইন্না গঞ্জাশিং অদু বংলাদেশতা লোনা য়াদবা মওংদা ফারবা মীওই অহুম অদুনা থাদোক্লবা হোৎনরমখিবনি হায়রি।

# কোংগ্রেস মীরেপশিংদা তোয়না এটৈক চথবগী থৌদোকশিং থোক্লি

গুৱাহাটি, মার্চ ২২ (এজেন্সী) :

অসামদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা ষ্টেট অদুদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইনা থোরক্লিবশিংদা বি জে পিগী ৱার্কর ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা য়াম্না তোয়না এটৈক চথবগী থৌওংশিং থোক্লিবা অদুবু ওল ইন্দিয়া মাহিলা কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মাহিলা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি দনাসরি অনসুয়ানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিগী লুচিংবশিং অমসুং ৱার্করশিং হৃদক পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা চাওনা মায়থীবা য়াবগী মমি উৱকপদগী কোংগ্রেস মীরেপশিংদা অতম্না এটৈক চথবগী থবক থৌরমশিং অসি থওইনা চথহল্লকপা ওইরম্বা য়াই।

হৌখিবা নুমিত্তসু থোরা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী কোংগ্রেস মীরেপ্তা এটৈক চথরকখ্রবা মতুং হাপলোং কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীরেপ্তসু বি জে পি ৱার্কর ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা এটৈক চথরকখি। মদুগী মতুং পথরকন্দি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইনা থোক্লিবা সচিন শাহুনা তোংলকখিবা গাড়ীদসু বি জে পিনি চিংনবশিংনা এটৈক চথরকখি হায়রি।

পথরকন্দি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা হৌজিক হৌজিক বি জে পিগী এম এল এ ওইরিবা কৃসনেন্দু পোলনা হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা ভোট ৪৬,৫৪৪ ফংদুনা মায় পাকখিবনি। মদুগী মমাং হৌখিবা কুমজা ২০১১ দা কোংগ্রেস মীরেপ মোনিলাল গোৱালানা ভোট ৪৪,৯৮৬ ফংদুনা মায় পাকখিবনি।

কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা হৌজিক হৌজিক সিটিং এম এল এ ওইনা লৈরিবা বি জে পি এম এল এ পোলনা খুজিন থৌরাং তৌরগা এটৈক অদু চথহল্লকপা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। অমরোমদা কোংগ্রেস মীরেপ্তা এটৈক চথরকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অসাম কোংগ্রেস অমদি অতোপ্পা পার্টিশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে হায়রি।

# মিজোরামদগী লোনা য়াদবা পোৎলম কয়া অসাম রাইফলসনা ফাগৎখ্রে

আইজোল, মার্চ ২২ (এজেন্সী) :

মিজোরামবু দ্রগ ফ্রী ষ্টেট ওইহন্নবা অসাম রাইফলসনা পায়খৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না ঙসিসু বুকপুইদগী হিরোইন গ্রাম ৩২৪ ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা দ্রগ অদু পুদুনা চৎলম্বা মীওই অনী অমসু ফারে হায়রি।

ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস (ইষ্ট) কী মীৎয়েং মখাদা আইজোল বটালিয়নগী ২৩ সেক্টর অসাম রাইফলসনা ষ্টেট এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা চথখিবা ওপরেসন অমদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

অসাম রাইফলসনা ফারবা হিরোইন অদু মার্কেটতা লুপা ক্রোর ১.৪৬ রোমগী ওইগনি। এ আর পর্সনেলশিংনা ফারবা হিরোইন দ্রগ অদু এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা খূৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা হিরোইন অদুবু পুদুনা চৎলম্বা মীওই অনী অদু মরী লৈনবা পুলিস দিপার্টমেন্টতা শিন্নখ্রে হায়রি।


অমরোমদা লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লুংপুকতা লোনা য়াদবা মওংদা লল্লোন্নবা পুরকখিবা জিনসেং কিলোগ্রাম ১,২৯৩ অসাম রাইফলসনা ফাবা ঙমখ্রে। লুংলৈ বটালিয়নগী ২৩ সেক্টর অসাম রাইফলসনা লুংপুকতা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা জিনসেং লোনা য়াদবা মওংদা লল্লোন ইতিক তৌরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং অকোয়বগী ফীভমশিং চেকশিন্না মোনিটর তৌদুনা লাকখিবনি।




থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মীওই অহুম্না জিনসেং কন্সানইমেন্ট অদু কার অমদা হাপ্লগা লাকখিবনি। চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লাকখিবা কার অদুবু এ আর পর্সনেলশিংনা খাল্লগা চেক তৌরুবদা য়াল্লবা জিনসেংশিং অদু গাড়ী মনুংদা য়াওরমখিবনি।

অসাম রাইফলসনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কার অদুদা তোংলকখিবা মীওই অহুম ফারবা মতুং মরী লৈনবা পুলিস দিপার্টমেন্টতা খূৎশিন্নখ্রে। ফারবা জিনসেং অদু মার্কেটতা চাওরাক্না লুপা ৭৭,৫৮,০০০ রোমগী ওইগনি হায়না অসাম রাইফলসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## CROSSWORD-3732




**ACROSS**

7 Clever (11)
8 Playing a part (6)
9 Burning (6)
10 Movie theatre (6)
12 Out of sorts (6)
13 Tear (3)
14 Be present (6)
16 Ashore (anag.) (6)
18 Impart (6)
20 Grown-ups (6)
22 At once (11)

**DOWN**

1 Bluish-white metal (4)
2 Walk with long steps (6)
3 Lazy person (8)
4 Leaning Tower city (4)
5 Cowardly (6)
6 Incentive (8)
11 Brave (8)
12 Disruption (8)
15 Bury (6)
17 Entertained (6)
19 Walk through shallow water (4)
21 Playthings (4)

**Solution 3731**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3531**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 6 | | | | 8 |
| 4 | | 6 | | 7 | 1 | | 2 | |
| 1 | | | 2 | | 5 | 6 | | |
| | 6 | | | | | 3 | | |
| | | | 7 | | 8 | | | |
| | | 8 | | | | | 4 | |
| | | 1 | 5 | | 7 | | | 9 |
| | 9 | | 6 | 2 | | 1 | | 7 |
| 3 | | | | 8 | | | | |

**Solution-3530**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 3 | 9 | 2 | 7 | 6 | 8 | 5 |
| 8 | 5 | 2 | 4 | 3 | 6 | 1 | 9 | 7 |
| 7 | 9 | 6 | 5 | 8 | 1 | 2 | 3 | 4 |
| 5 | 1 | 9 | 2 | 7 | 3 | 4 | 6 | 8 |
| 6 | 7 | 8 | 1 | 4 | 9 | 3 | 5 | 2 |
| 2 | 3 | 4 | 6 | 5 | 8 | 9 | 7 | 1 |
| 4 | 8 | 1 | 3 | 9 | 5 | 7 | 2 | 6 |
| 3 | 2 | 7 | 8 | 6 | 4 | 5 | 1 | 9 |
| 9 | 6 | 5 | 7 | 1 | 2 | 8 | 4 | 3 |

## EMPLOYMENT NEWS

Government of NCT of Delhi, Delhi Subordinate Services Selection Board (DSSSB), Delhi invites online applications for recruitment of Technical Assistants, Lab Attendant, Assistant Chemist, Junior Engineer, Assistants, Pharmacist, Teachers and other posts under different departments under Government of NCT of Delhi. The online registration process will be open from 15th March and scheduled to be held on 14th April 2021.

ADVERTISEMENT NO. 01/21

Name of the Post
No of Vacancies
Technical Assistant (Public Health)
02
Technical Assistant (Printing)
02
Technical Assistant (Civil)
10
Technical Assistant (Chemical)
03
Technical Assistant (Interior Design)
02
Technical Assistant (Automobile)
03
Technical Assistant (Production)
01
Technical Assistant (Medical Electronics)
03
Technical Assistant (Modern Office Practice) Hindi
02
Technical Assistant (Instrumentation & Control)
02
Technical Assistant (Plastics)
02
Laboratory Attendant
66
Assistant Chemist
40
Assistant Engineer (E&M)
14
Junior Engineer (Electrical / Mechanical)
62
Draftsman Grade I
16
Personal Assistant
84
Pharmacist (Ayurveda)
24
Pharmacist (Unani)
14
Pharmacist (Homeopathy)
44
Assistant Director
03
Assistant Grade II
28
Junior Stenographer (English)
13
Junior Engineer (Elect.)
31
Scientific Assistant (Biology)
06
Security Supervisor
09
Assistant Foreman
158
Carpenter 2nd Class
04
Assistant Filter Supervisor
11
Programmer
05
Trained Graduate Teacher (Deaf & Dumb)
19
Special Educator (Primary)
1126

Age Limit: As per Rules.

Pay Scales:
Technical Assistant: Group C + GP ? 2400/-
Laboratory Attendant: Group C + GP ? 1900/-
Assistant Chemist: Group B + GP ? 4600/-
Assistant Engineer (E&M): Group B + GP ? 4600/-
Junior Engineer (Electrical / Mechanical): Group B + GP ? 4200/-
Draftsman Grade I: Group B + GP ? 4600/-
Personal Assistant: Group B + GP ? 4600/-
Pharmacist (Ayurveda): Group C + GP ? 2800/-
Pharmacist (Unani): Group C + GP ? 2800/-
Pharmacist (Homeopathy): Group C + GP ? 2800/-
Assistant Director: Group B + GP ? 4800/-
Assistant Grade II: Group C + GP ? 2400/-
Junior Stenographer (English): Group C + GP ? 2400/-
Junior Engineer (Elect.): Group B + GP ? 4600/-
Scientific Assistant (Biology): Group C + GP ? 2800/-
Security Supervisor: Group C + GP ? 1900/-
Assistant Foreman: Group C + GP ? 2800/-
Carpenter 2nd Class: Group C + GP ? 2000/-
Assistant Filter Supervisor: Group C + GP ? 1900/-
Programmer: Group C + GP ? 2800/-
Trained Graduate Teacher (Deaf & Dumb): Group B + GP ? 4600/-
Special Educator (Primary): Group B + GP ? 4200/-

Educational Qualifications:
Technical Assistant: Matriculation or equivalent qualification. Minimum 02 years Diploma in relevant trade or B.Sc. degree in relevant field or equivalent.
Laboratory Attendant: Matric with 12th class Pass with Physics, Chemistry, Maths (PCM) as subjects (OR) 12th class Pass in Physics, Chemicstry, Biology (PCB) as subject.
Assistant Chemist: B.Sc. degree in Science with Chemistry as a major subject. Minimum 02 years experience.
Assistant Engineer (E&M): B.E. / B.Tech or Diploma in Electrical / Mechanical Engineering.
Junior Engineer (Electrical / Mechanical): Degree in Electrical / Mechanical Engineering.
Draftsman Grade I: Diploma in Architectural Assistantship. Minimum 02 years post qualification experience (OR) 10th/ Matric Pass. Diploma in Draftsmanship.
Personal Assistant: Matric with 12th class Pass. Must qualify the Stenographry Test.
Pharmacist: Matric or equivalent. Diploma in Pharmacy (Unani / Homoeopathy).
Assistant Director: MBA or its equivalent qualification.
Assistant Grade II: Senior Secondary (10+2) Pass.
Junior Stenographer (English): Senior Secondary (10+2) Pass with English as a subject.
Junior Engineer (Elect.): Degree / Diploma in Electrical Engineering.
Scientific Assistant (Biology): Post Graduate in Zoology or Botany or Anthropology or Human Biology or Biochemistry.
Security Supervisor:Matriculation or equivalent qualification.
Assistant Foreman: 03 years Diploma in Automobile Engineering.
Carpenter 2nd Class: Certificate in Carpentry from ITI of a recognized Institution.
Assistant Filter Supervisor: Matriculation Pass.
Programmer: Degree + Should possess a speed of not less than 8000 key depression per hour for data entry work.
Trained Graduate Teacher (Deaf & Dumb): Bachelor's Degree + B.Ed. (Special Education for hearing impaired) (OR) B.Ed. (Generl) with 01 year Diploma in Special Education.
Special Educator (Primary): Senior Secondary Certificate (10+2) Pass or its equivalent. 02 years Diploma in Special Education.

Selection Process:
One Tier / Two Tier Examination
Skill Test

Application Fee:
100/- for General / OBC category and other state candidates.
No fee for SC / ST / PWD / Ex-Servicemen category candidates.
The fee only made through SBI e-pay.

How to Apply: Eligible Interested candidates apply online through DSSSB Delhi Jobs Portal (dsssbonline.nic.in) from 15th March 2021. The last date for registration of online applications is 14/04/2021.

